**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-09-2025)**

**মোদি (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, মনিপুরদা থাংজ নুমিৎতা লাক্কদৌরিবা অসিগী য়েংলগা সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাং লৌখৎলে। ইম্ফাল সহর নীংথিনা লৈতেংবগী থবক চথুরি। পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতিনা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈরি। অচৎ অওকশিং চেক তৌবা অমসুং চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি।

প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী য়েংলগা থা অসিগী ১৩ দা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি।

ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৰিং-মনিপুরগী এস.পিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ইম্ফালগী ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাদা পাঙথোক্কদবা থৌরম য়াওগদবা ভি.ভি.আই.পিশিংনা কংলাগী খা থংবা গেটলোমদগী চংল্লক্কনি। খোঙনা লাকপশিংনা নোংচুপ থংবা গেটতগী চংল্লক্কনি অদুগা পাস য়াওবা গাড়িশিংনা অৱাং থংবা গেটতগী চংবা য়াগনি।

থৌরম অদু য়াওনবগীদমক মীয়াম পুরকপা গাড়িশিংগী লাকফম অমসুং গাড়ি খাম্ফম তোঙান তোঙাননা শিল্লে। শিংজমৈ চিংঙা ফাওরগা ময়াই লম্বীরোমদগী লাকপা, শিংজমৈ থোং ফাওরগা থৌবাললোমদগী লাকপা গাড়িশিংনা ৱাংখৈ ফাওরগা মিনুথোংদা খামগনি। পেসেঞ্জর থাদরল্লবা মতুংদা লমলোংলোমদগী লাক্লগা পোরোম্পাৎ ক্রোসিং, অনন্দা ক্রোসিং অমদি পেলেস গেট ফাওরগা হপ্তা কাংজৈবুংদা খামগনি।

লমলোং, সেকমাই অমসুং থাংমৈবন্দলোমদগী লাকপা গাড়িশিংনা ইম্ফাল হোটেল মমাংদা পেসেঞ্জরশিং থাদরল্লগা এন.সি. গ্রাউন্দ নৎত্রগা খুম্মন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা খামগনি।

উরিপোক, শগোলবন্দ, টিদিম অমদি ময়াই লন্বীরোমদগী লাকপা গাড়িশিংনা ৱাহেংবম লৈকাই নৎত্রগা উরিপোক থোংখাদা পেসেঞ্জরশিং থল্লন্লগা এন.সি.সি. গ্রাউন্দ নৎত্রগা ইন্টর ষ্টেট বস টারমিনসতা খামগনি।

নুমিৎ অসিদা মীয়াম পুবা গাড়িশিং লাকথোক লাকশিন অমদি চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা লৈরোই। ভি.ভি.আই.পিশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা খক্তদা অথিংবা খরা লৈগনি।

থৌরম লোইরবা মতুং কংলাদগী ইয়ারপোর্ট ফাওবা চৎকদবা লন্বীদা ভি.ভি.আই.পি. থোরক্কদবা মিনিট তরা ৱাৎলিঔদা লন্বীশিং থিংদুনা থমগনি। অদুমওইনমক, এম্ব্যুলেন্স অমসুং ফয়ার সার্ভিসকী গাড়িশিংদি অথিংবা লৈরোই হায়রি।

**ককচিং (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী খোঙচৎ অমদি কংলাদা পাঙথোকপা থৌরম ককচিং জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগদৌরি।

মসিগা মরী লৈননা ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার অমসুং এস.পি. য়াওবা মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দনা হায়-ককচিং জিলাগী মী য়ামা তিনবা তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। মফম অহুম শুহনবা য়াব্রা হায়বদুসু হৌজিক খন্নরি।

**দেঙ্গি (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা দেঙ্গি পাক শন্না শন্দোরক্লিবা অসিগী য়েংলগা লায়না অসিদগী ঙাকথোকবা মীয়ামনা তোঙান তোঙানবা চৎন-কাঙলোনশিং ইনবীনবা রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়-মীয়ামনা অয়ুক নুংথিলগী মতমদা কাংনা চিকপদগী ঙাকথোকবা খুদাং অশাংবা ফুরিৎ লিৎপা, খোঙ্গ্রাউ শাংবা, মোজা উপ্পা, কাংদগী

ঙাকথোকবা কাং হিদাক শিজিন্নবনচিংবা থবকশিং পায়খৎকদবনি। অঙাং অমসুং অহলশিংদা কাংনা চিকপদগী ঙাকথোকবা কাংখল খনগদবনি। য়ুমগী অকোইবদা লৈবা শিজিন্নদ্রবা গাড়ি টয়ার, ঈশিং হাপবা পত্রা, বার্টিন অমদি জেলিকেনশিং মাঙহনবগী হপ্তা অমদা নোংমা কায়থোক্লগা দ্রাই ডে থৌরম পাঙথোকপীনবা আপিল তৌরি। মসিগী মথক্তা থক-চানবা ঈশিং হাপ্পা পত্রশিং নীংথিনা মখুম খুমজিনগদবনি। পত্রশিং অদু হপ্তা অমগী মনুংদা অমুক অমুক শেংদোক্কদবনি। মসিনা দেঙ্গি লায়নাদগী খরদং ওইরবসু ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়রি।

**লম্বী (এল)ঃ** তুপুল-জোজাংতেক ফাওরগা বিষ্ণুপ্র তাবা লম্বীগী তুপুল খুল মপাদা ফুট ১০০ রোম লম্বী কিন্থখিবদগী হৌজিক পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি চৎথোক চৎশিন য়াদ্রে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী-অগুই কামৈনা হায়-লম্বী অসি এসিয়ান দিবলপমেন্ট বেঙ্ককী মখাদা দবল লেন্দ ওইহন্নবা শেমজিন শাজিনবগী থবক কন্না চথুরি। নোনে অমসুং তমেংলোংদগী লাকপা মীওইশিংনা বিষ্ণুপুর চৎননবা য়ামা মরুওইবা লম্বী অমা ওইবনা লম্বী অসি অথুবা মতমদা শেমজিনবীদুনা মীয়ামগী খুদোংচাদবা অসি কোকহন্নবা তুপুল ভিলেজ অমদি অতৈ মীয়ামনা সরকারগী পুকিং চিংশিল্লি।

**জিএসটি (এল)ঃ** গুদস এন্দ সাভির্সেস টেক্স (জি.এস.টি) গী হন্দক্তা নৌনা শেমদোক্কুনা সেপ্তেম্বর ২২ দগী চৎনবা হৌগদৌরিবা চৎন-কাঙলোন অসিনা মীচম মীয়ামদা কান্নবা কয়া পীবা ঙম্লগনি।

অকাশবানি ইম্ফালগা ঙসি অখন্ননা উন্নবদা সেন্ত্রেল গুদস এন্দ সাভির্সেস টেক্স কমিস্নরেটকী এদিসনেল কম্মিস্নার-এল. প্রভুনন্দা সিংহনা হায়-অনৌবা জি.এস.টিগী চৎন-কাঙলোন অসি অয়াম্বা পোৎচৈশিংদা চৎনরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। লৌমী, করবার মচা তৌবা মীওইশিং অমসুং মীচম মীয়ামনা

ফংলিবা চৈথেংশিং অসি কোকহনবা ঙমবা অনৌবা জি.এস.টিগী চৎন কাঙলোন অসি হৌদোরকপনি। মহাকা হায়-অনৌবা চৎন-কাঙলোন অসিগী মখাদা হিদাক লাংথক্কী ওইনা হান্না চাদা ১২ জি.এস.টি. লৌরম্বা অদু হৌজিক্তি লৌররোই। কেন্সর লায়েংদা শিজিন্নরিবা হিদাক লাংথকশিং টেক্স লৌররোই। মহাকা হায়-জি.এস.টিগী মতাংদা কনাগুম্বা মীওই অমনা আপিল তৌবা লৈরগদি জি.এস.টি. আপিল ত্রাইবুনেলদা ৱাকৎপা য়ারগনি। মসি চহি অসিগী দিসেম্বর থাদগী হাংদোক্কুনা চৎনবা হৌরগনি।

অমরোমদা, রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি- হন্দক্তা পুথোকখিবা নেক্স জেনরেসন জি.এস.টি. রিফোম অসিনা য়ামা শিংথানিংঙাই ওইবা অমসুং মীয়ামদা খুদোংচাহল্লগনি। থৌশিল অসিনা মরুওইনা করবার তৌবা মীওইশিং অমদি শিন্মীশিংদসু খুদোংচাবা পীরগনি।

অকাশবানি ইম্ফালগা ঙসি অখন্ননা উন্নবদা লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়-অনৌবা জি.এস.টি. রিফোম টু পোইন্ট জিরো অসিনা হান্নগী লৈরম্বা ফোর স্লেট ষ্ট্রকচর অদুদগী হোংদোক্লগা হেন্না লায়থোকহনবা মওংদা টু স্লেট ষ্ট্রকচর ওইহল্লি। ভারত্তা জি.এস.টি. লৌরম্বা পোৎলম ৫০৬ গী মনুংদা জি.এস.টি. কাউন্সিলনা প্রস্তাব তৌবা পোৎলম চাদা ৯০ দি হন্থনা লৌরগনি।

**লুৱাংশংবম (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবম গ্রাম পঞ্চায়ট, হৈঙাং সি.দি. ব্লোকা শিনদুনা খুঙ্গংশিংদগী পুথোরকপা ফত্তা হাউদি মফম চানা লোয়শিনবা অমসুং নুংশিৎতা মোৎশিল্লকপা কয়া অসিদগী মতৌ করমা ঙাকথোক্কনি হায়বগী মতাংদা মীয়াম তিনবা মীফম অমা ঙসি লুৱাংশংবমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু নেসনেল গ্রীন ত্রাইবুনেলনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাং অমদি চৎন-কাঙলোনগী মখাদা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ইম্ফাল ইষ্টকী দি.সি. লাইরেনলাকপম নিবেদিতানা হায়-নেসনেল গ্রীন ত্রাইবুনেলগী মখাদা লৈবাক অসিবু লু-নান্না থমবা থবক কয়া পায়খৎলি। মসিগী মনুং চন্না

রাজ্য অসিদসু তোঙান তোঙানবা থবক কয়া পায়খৎতুনা লু-নানবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনরি।

তুংদা, শামুদোন আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন-পাউনা বজারনা শান্নবা 'হু পুবা নুংশিৎ' হায়না মিংথোনবা শুমাং লীলা অমসু উৎখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** জোনেল এদুকেসন ওফিসার জোন (থ্রি) থৌবালনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল, দিপার্টমেন্ট ওফ এদুকেসন (এস), শামগ্র শিক্ষা মনিপুর অমদি দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিস-থৌবালগা খুৎশমদুনা থৌবাল অথোকপম মখা লৈকাই অমদি থৌদাম লৈশাংথেম খোঙ মনিংগা ফাওনরিবা ইন্টর ভিলেজ রোডতা উ চারা কয়া থাখ্রে।

থৌরম অদদু খাঙবোক কেন্দ্রগী এম.এল.এ. ওক্রম সুরজকুমার সিংহ,শামগ্র শিক্ষশগী দিষ্টিক্ট প্রোজেক্ট ওফিসার-ৱাই. অচৌবা সিংহনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**ককচিং (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-ককচিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রাম-ককচিংনা শিনদুনা ২৩ লক শুবা ৱার্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন ডেগী থৌরম ঙসি জিলা অসিদা লৈবা হিয়াংলম, হিরানমৈ, হাউরৈমা শম পুবি কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু চেঞ্জিং দা নেরেটিব ওন সুইসাইদ, স্তার্ট দা কনভরজেসন হায়বা হীরমদা পাঙথোকপনি।

**চান্দেল (এল)ঃ** মীয়ামদা 'অঙাংশিংগী হক অমসুং মসিগা মরী লৈনবা আইন' হায়বসি মমুৎ তানা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি চান্দেলদা লৈবা মল্টি পরপজ হোলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেল, দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট

অমসুং জোনেল এদুকেসন ওফিসারগা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি। দি.সি.পি.ও. চান্দেল-বাবুনা দাংমৈনা হায়-থৌরম অসি মরুওইনা স্কুলগী ওজাশিং অমসং ফেকলতি মেম্বরশিংগীদমক মরুওইনা শিনবনি। মহাকা হায়-ওজাশিংনা অঙাংশিংগী ফংফম থোকপা হকশিং হায়বসিগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙবা তঙাইফদে।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** ব্রা অমদি লীনা শাবা খুৎ-শা হৈবগী পোৎলম য়াওনা চান-থকবা পোৎলম কয়া শেম শাবগী মতাংদা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি তমেংলোং হেদক্কাটরসতা হৌখ্রে।

ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসি রেজিং এন্দ এসলরেটিং এম.এস.এম.ইগী মীৎয়েং মখাদা তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা পাঙথোকপনি। নুমিৎ হুমনি চথগদবা ত্রেন্নিং অসিদা নুপী ১৭ অমসুং নুপা ১৫ পুন্না ত্রেন্নি ৩২ না শরুক য়ারি।

**এরেষ্টঃ** বোর্ডর সেক্যুরিতি ফোর্স (বি.এস.এফ) অমসুং পঞ্জাব পুলিসকী অপুনবা কাংবুনা রাজ্য অদুগী ফাজিলকা এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা পিষ্টোল ২৭ অমসুং কাপ্পা য়ারিবমা মরু ৪৭০ ফাগৎলে। নোংমৈ অমসুং মরু লল্লোনবা মীওই অনিসু ফাগৎপা ঙমলে।

পঞ্জাব পুলিসকী পাউনা হায়-খুৎলায়শিং অসি ফাগৎপগা লোয়ননা ঙমখৈ লান্না নোংমৈ লল্লোনবা খুৎপু অমা থুগায়বা ঙমলে। অহানবা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না খুৎশু খুৎলায়শিং অদু পঞ্জাবকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পামদবা থৌদোক কয়া থোকহন্নবগীদমক পাকিস্তানলোমদগী পুশিল্লকপনি হায়বা খঙবা ঙমলে।

মসিগী মথক্তা অমৃটসরদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ঙমখৈ লান্না খুৎশু খুৎলায় লল্লোনবা মীওই তরুক অমসু ফারে। মখোয়দগী পিষ্টোল

কয়ামরুম অমসুং শেল ওইনা লুপা লাখ তরুকলোম ফাগৎপা ঙমলে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং মাউরিসিয়সকী প্রধান মন্ত্রি নভিনচন্দ্র রামগুলম অনিনা ঙসি লৈবাক অনিগী ওইবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা য়ান্ন-ৱারোল কয়া সহি তৌনখ্রে। উত্তর প্রদেসকী বনারাসিদা পাঙথোকপা উন্নবগী থৌরমদা য়ান্ন-ৱারোলশিং অদু সহি তৌনখিবনি।

য়ান্ন-ৱারোল সহি তৌনরবা মতুংদা লুচিংবা অনিনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী মোদিনা হায়-ভারত অমসুং মোরিসিয়স অসি তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনি। অদুবু, মসিগী ৱাখল্লোন অমদি মংলানদি অমত্তনি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-লৈবাক অনি অসি মরুপ-মপাং ওইবগী মরী খক নত্তে, ইমুং মনুংগী মরীনি।

**বিজেপিঃ** ভারত্তিয়া জনতা পার্টি (বি.জে.পি) না প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা থা অসিগী ১৭ তা লৈবাক শিনবা থুংবদা থখায় অমা চত্থগদবা সেভা পৌখরা পাঙথোক্কনি।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা দল অসিগী হেদক্কাটরসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দল অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি- ভুপেন্দর যাদবনা হায়-সেভা পৌখরা অসি মহাত্মা গান্দি অমসুং লাল বহাদুর সংস্ত্রিগী মপোক নুমিৎকী পালন থৌরমগা মরী লৈননা ওক্তোবর অনি ফাওবা চত্থগনি। মসিদা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা ভারতকী ইতিহাসতা শিংথানিংঙাই ওইবা মীকুপ অমা ওইনা ঙসি আই.এ.এস.ভি. ত্রিভেনি ওল ৱিমেন ত্রাই সাভির্সেস সরকম নেভিগেসন এক্সপিদিসন লমথাখ্রে।

নুমিৎ অসি য়ামা চাউথোকচনিংঙাই ওইবা নুমিৎ অমা ওইনা তুংগী য়ুন্বীরেলশিংনা নীংশিংহৌরগনি। মন্ত্রিনা ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা

মুম্বাইদা লৈবাক অসিদা ইহান হানবা ওইনা লাম্নী, নেভি অমসুং ইয়ার ফোর্সতগী নুপী ওফিসার ১০ য়াওবা নুপী ঙাক্তগী ওইবা ত্রাই ৱিমেন এক্সপিদিসন অসি মীসন অমগীদমক লমথাখিবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-ৱাংলবা অতিয়াদগীনা লুরবা সমুদ্রগী ইরোলনুং ফাওবগী তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা লৈবাক অসিনা খুমাং য়াংনা চংশিনবা ঙমলে হায়বদু মীসন অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি। মহাকা হায়-হায়রিবা খোঙচৎ অসি মীসন অমখক ওইবতা নত্তনা লাম্নী কাংলুপ অহুম অসিগী অপুনবগী তৌবা ঙম্বা থৌনা অমদি শক্তি অদুবু ময়েক শেংনা তাক্লি।

**নদ্দাঃ** লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা দেঙ্গি অমদি মেলারিয়া লায়নাশিং শন্দোরক্লিবা অসিগী য়েংলগা লৈবাক্কী ওইনা অমদি রাজ্যশিংনা লোখৎকদবা থবক থৌরমশিং কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা ঙসি হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা য়েংশিনবগী থৌরমদা শ্রী নদ্দানা লায়নাশিং অসি ঙাকথোকবা করি থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা অখণ্ড অহৈশিংগা কুপা খন্নখি। মীয়ামগী হকশেলদা শোকহন্দনবা রাজ্যশিং, লোকেল বোদিশিং অমসুং লম অসিদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎনবা খঙহন্খ্রে।

লায়নাশিং অসি শন্দোরকপা থিংনবা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎনবা অমদি মীয়ামদা লায়না অসিগী মতাংদা নীংথিনা খঙহন্নবা রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রিশিংদা পাউতাক পীখ্রে। মসিগী মথক্তা রাজ্যশিংগী হকশেল মন্ত্রিশিংদসু লায়নাশিং অসিদগী ঙাকথোকবা নুমিৎ ২০ নিগী মনুংদা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎনবা মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**ফুটবোলঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি.এস.এ) চান্দেলনা শিন্দুনা জিলা অসিগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌজিক চত্থরিবা দি.সি চান্দেল ট্রোফি ফার্ষ্ট

দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা দামজোল ৱাই.সিনা চকপিকারোং ৱাই.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** দি.সি. চান্দেল ত্রোফি সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা চান্দেল খুল্লেন ৱাই.সি. অমসুং কদাম দি.সি. পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা, লমবুং ৱাই.সি.সি. অমসুং খোংজোন ৱাই.সিসু পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

**পোলো ঃ** মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ৩৮ লক শুবা এন. হজারি অমদি ডাঃ এন. তোম্বী ষ্টেট পোলো তুরনামেন্ট ২০২৫ মথং থাগী ৭ তগী ইম্ফালগী পোলো গ্রাউন্দদা হৌরগনি। এসোসিয়েসন অসিনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না তুরনামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা ক্লবশিংনা লমফেলপাৎতা লৈবা মণিপুরী পোনি ব্রিদিং ফার্মদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা লাক্তুনা অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়রি।

**বোক্সিংঃ** ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা ভারতকী নুপীগী হেভি ৱেথ বোক্সর-নুপুর সিয়োরান কিলোগ্রাম ৮০ গী কেটেগোরিদা সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

মহাকা উসবেকিস্তানগী ওলতিনোই সোতিম বোভাবু থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংলকখিবনি।